
# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, WEDNESDAY, NOVEMBER 13, 2019 PAGE 7**




*ওষ্ট্রেলিয়ান ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা মমাঙদা লৈবাক অসিগী ক্রিকেট্টর ওইরম্বা সেন ৱাটসন*




*ৱার্ল্ড মেন এঠলেট ওফ দি ইয়রগী লিষ্টতা য়াওখ্রবা ওলেম্পিক মরাথোন চেম্পিয়ন কেনিয়াগী লমজেল্লোই ইলিয়ুদ কিপচোগে*

## ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি অমসুং জস্প্রিট বুমরাহনা ও দি আইগী বেট্টিং অমসুং বোল্লিংদা মকোক ওইরি

*দুবাই, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহনা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী বেট্টিং অমসুং বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি চহী অসিগী ওগষ্ট থাদগী ও দি আই মেটচ অমত্তা শান্নদনা লাক্লি। মমাঙদা ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা ৱান দে সেরিজগী অহুমশুবা মেটচতা ইনিদয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা সেঞ্চুরি লৌদুনা সেরিজ অদু মেটচ ২–০ দা মায় পাকপগা লোয়ননা মহাক্না মেন ওফ দি মেটচ অমসুং মেন ওফ দি সেরিজগী এৱার্দসু ফংবা ঙমখিবনি।



*ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি (ওই) অমসুং বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি লাওথোরকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা রেটিং পোইন্ট ৮৯৫ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্টেন অমসুং ওপনর ওইরিবা রোহিট শর্ম্মনা রেটিং পোইন্ট ৮৬৩ ফংলগা বেট্টিংগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা অনীশুবা মফম কনবা ঙম্লি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং টোপ টেনগী মনুং চনবা য়াওখিদ্রে। ইন্দিয়াগী ওপনর সিখর ধৱন বেটসমেনগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ১৯শুবা পোজিসন্দা হাইথখ্রে।

ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী ঙসি ফোঙদোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা বোল্লিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহনা রেটিং পোইন্ট ৭৯৭ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

বোল্লরগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ন্যু জিলেন্দগী বোল্লর ট্রেন্ট বোল্ডনা রেটিং পোইন্ট ৭৪০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। আফগানিষ্টানগী বোল্লর মুজিব উর রহমননা সাউথ অফ্রিকাগী পেসর কাগিসো রাবাদাদগী অহুমশুবা মফম মুনবা ঙমখ্রে।

ওল রাউন্দরগী রেঙ্কিংদা ইনিদয়াগী শান্নরোই হর্দিক পান্দিয়ানা রেটিং পোইন্ট ২৪৬ ফংলগা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা ১০শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ওল রাউন্দগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ৱার্ল্ড কপ মায় পাকপদা হেরো ওইখিবা বেন ষ্টোক্সনা রেটিং পোইন্ট ৩১৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবর ঙম্লি। ইন্দিয়ানা চহী অসিগী দিসেম্বরদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা ও দি আই মেটচ ৩গী সেরিজ শান্নগনি। মসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মহাক্কী নম্বর ৱান পোজিসন অদু কায়হন্দনা থম্বা ঙম্নবগী খুদোংচাবা লৈরি।

## ব্রাজিলনা ইটালিবু ২–০ দা থোইদুনা য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকা শান্নরগনি





*গোয়ানিয়া, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা মেন'স য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক ব্রাজিলনা ইটালিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকা শান্নরগনি।

য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি ব্রাজিল অমসুং ইটালিনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখদুনা ইটালিগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

মেটচকী ৬শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদুগী হোৎনজমন ওইনা টিম অসিগী শান্নরোই পেত্রিক লাঞ্জানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

গোল শোথরিবা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা ব্রাজিলগী মায়কৈদা এটেক কয়া চখদুনা লাকখিবশিং অদু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা গোল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জোৱা পেগ্লোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা লাকখিবদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসি ব্রাজিলনা ইটালিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সনা স্পেনবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৯ শুরকপদা স্পেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জর্মন ভালেরানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

গোল শোথরিবা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা স্পেনগী মায়কৈদা এটেক মরী–মরী চখদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ২১শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই টাম্বে কৌৱাসিনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা নথানেল মবুকুনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই ইশাক লিহাদজিনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি। স্পেনগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই পেম্বেলেনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৪–১ দা হেল্লগা মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

মিনট ৫৯ চৎপদা ফ্রান্সকী শান্নরোই রুত্তরনা গোল অমা চনশিল্লবা মতুং মেটচকী ইনজুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা টিমমেট আদিল ওচিচেনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি ফ্রান্সনা স্পেনবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী অনগাদ অমদি সেখোননা স্কিটকী মিক্স টিমদা সিলভর মেডল ফংখ্রে

*দোহা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা চথরিবা ১৪শুবা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনগাদ বির সিংহ বাজৱা অমসুং গানেমাট সেখোননা স্কিট মিক্স টিম ইভেন্টতা সিলভর মেডল লৌখ্রে।



এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা স্কিট মিক্স টিম ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অনগাদ বির সিংহ বাজৱা অমসুং গানেমাট সেখোননা পোইন্ট ৩৩ (১৪৬) ফংদুনা সিলভর মেডল ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা চাইনাগী সুট্টর ৱৈ মেং অমদি জিন দিনা পোইন্ট ৩৬(১৪৫) দা লৌখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডলনা জপাননা পোইন্ট ৩৫ (১৪৪) দা ফংখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গৌরব রানানা পোইন্ট ৫৬২ দা সিলভর মেডল লৌখি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর আর্জুন সিমানা ইভেন্ট অসিদা পোইন্ট ৫৬০ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। নুপাগী মিটর ৫০গী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর পার্ক দেহুননা পোইন্ট ৫৬৭ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী সুট্টর ধানুস স্রিকান্থনা পোইন্ট ২৪৮.২ দা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিদা চাইনাগী সুট্টর জিয়াং জুৱানিনা পোইন্ট ২৪৫.৭ দা সিলভর মেডল ফংলগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর সাহু টুসার মানেনা পোইন্ট ২২৬.৪ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিগী টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা পুন্না পোইন্ট ১৮৮৭ ফংলগা মকোক ওইবা ঙমখি। চাইনানা পোইন্ট ১৮৭৬.৪ দা অনীশুবা অদুগা কোরিয়ানা পোইন্ট ১৮৬০.২ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র ৱুমেনগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী স্রেয়া অগরৱালনা পোইন্ট ২৫০.৬ ফংদুনা সিলভর মেডল লৌখি। চাইনাগী সুট্টর য়ান জিনজিংনা পোইন্ট ২৫১.৮ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌখি অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর খুসি সাইনিনা পোইন্ট ২২৮.৮ দা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা চাইনানা পোইন্ট ১৮৮২.৪ দা অনৌবা জুনিয়র ৱার্ল্ড অমা থমদুনা মকোক ওইখি। ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৮৭৭ দা অনীশুবা অদুগা ইরাননা পোইন্ট ১৮৭৬.৭ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র ৱুমেনগী মিটর ২৫ গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা চাইনাগী সুট্টর ঝৌ হুনা পোইন্ট ৩৫ দা গোল্ড মেডল লৌখি। সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডলসু চাইনাগী সুট্টরশিংনা লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইনিদয়াগী সুট্টর নিভেদিথা নায়র, অভিদনিয়া পটিল অমসুং স্নেহা ভরদৱাজ মথংশিনা ৬শুবা, ৮শুবা অমসুং ১০শুবা পোজিসন তাহৌখি। ইন্দিয়া টিম ইভেন্টতা ৩শুবা পোজিসন তাখি।

## ইন্দিয়াগী মিক্স পেয়র সাটৱিক অমসুং পোনাপ্পা হোং কোং ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*হোং কোং, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

হোং কোংদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলস পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।



হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমদি আস্বিনি পোনাপ্পানা থাইলেন্দগী পেয়র নিপিটফোন ফুৱাংফুৱাপেট অমসুং সাভিত্রি অমিত্রপাইবু গেম ২–১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

অহানবা গেম শান্নরকপদা থাইলেন্দগী পেয়র নিপিটফোন ফুৱাংফুৱাপেট অমসুং সাভিত্রি অমিত্রপাইনা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরজ অমদি আস্বিনি পোনাপ্পাবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পানা য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী ২১–১৯, ২১–১৭ দা থোইদুনা মেটচ অসি মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা মিক্স দবলসকী পেয়র প্রনভ জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী পেয়র দেচাপোল পুৱাভারানুক্রো অমসুং সাপসিরি টেরাট্টানাচাইগী মখুত্তা ১০–২১, ১৮–২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ মহাক্কী লম্বা ওইখিবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান জপানগী কেন্টো মোমোটা ৱিদ্রো তৌখিবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা মহাক অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী দবলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৯ ওইরিবা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমসুং চিরাগ সেট্টি ৭শুবা রেঙ্কতা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ৬শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা সাউথ কোরিয়াগী কিমগা ইয়ুনগা লম্বা তৌনরগনি।

রানকিরেদ্দিনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা জপানগী পেয়র টাকুরো হোকী অমসুং য়ুগো কোবায়াসিগা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি।

ঙসি থাদোরকখিবা বেদমিন্টনগী মকোক মথং তাবগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী দবলস পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমসুং চিরাগ সেট্টি ৭শুবা রেঙ্কতা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

## ইন্দিয়ান ওইলনা বৈটন কপকী টাইটল লৌখ্রে

*কোলকটা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকটাদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইনিদয়াগী কমপ্লেক্সতা ঙসি শান্নখিবা বৈটন কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ান ওইলনা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ইন্দিয়া ওইল অমসুং পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান ওইলগী শান্নরোই কারাজৱিন্দর সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

ইন্দিয়ান ওইলনা অহানবা গোল চনখ্রবা মতুং মিনট ৪ লৈরগা টিম অসিনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা গুরজিন্দর সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৫ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী ফাইনেল মেটচ অসি ইন্দিয়ান ওইলনা পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্কপু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

## এ টি পি ফাইনেলসতা জর্মনিগী জ্বেরেভনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল মায়থিবা পীখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা এ টি পি ৱার্ল্ড ফাইনেলসকী বিজের্ন বোর্গ গ্রুপকী সিঙ্গলস মেটচতা জর্মনিগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালবু মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা বিজোর্ন বোর্গ গ্রুপকী সিঙ্গলস মেটচতা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

বিজোর্ন বোর্গ গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সিঙ্গলস মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ৮শুবা সিদেদ ইটালিগী মেট্টিও বেরেট্টিনিবু ৭–৬(৭–২), ৬–৩ দা মায়থিবা পীখি।

এ টি পি ৱার্ল্ড ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেক্স মিরনি গ্রুপকী দবলসকী মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ফ্রান্সকী পিয়েরি হুগেস হর্বার্ট অমসুং নিকোলাস মাহুটনা নম্বর ৱান সিদেদ কলম্বীয়াগী পেয়র জুৱান সেবাষ্টিয়ান কবাল অমসুং রোবার্ট ফারাহবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৭–৫ দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা জোনাস বিজের্কমেন গ্রুপ্তা ৪শুবা সিদেদ য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং বৃটেনগী জো সালিসবুরিনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগ অমসুং স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেকপু সেট ২–১ দা থোইখি। অহানবা সেট ইভান দোদিগ অমসুং ফিলিপ পোলাসেকনা ৬–৩ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেটতা য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং বৃটেনগী সালিসবুরিনা ৬–৩, ১০–৬ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

## ইন্দিয়াগী সৌরভ ঘোসাল প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*দোহা, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

দোহাদা চথরিবা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা মেন'স ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোই সৌরভ ঘোসাল মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচতা ১০শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী শান্নরোই সৌরভ ঘোসালনা ফ্রান্সকী লুকাস সেরমেবু য়াম্না হেনবা মওংদা ১১–৮, ১১–৫, ১১–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী সৌরভ ঘোসালনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ইজিপ্তকী শান্নরোই ৱার্ল্ড নম্বর টু অদুগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সিদেদ মোহমেদ ইল সোরবেগিগা লম্বা তৌনরগনি।

## স্পেনিস সুপর কপ্তা নৌনা টিম ৪ হাপচিন্দুনা সাউদি অরাবিয়াদা শান্নরগনি

*মাদ্রিদ, নবেম্বর ১২ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট স্পেনিস সুপর কপ্তা নৌনা টিম ৪ হাপচিন্দুনা সাউদি অরাবিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নরগনি টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

স্পেনিস সুপর কপ্তা শরুক য়াগদবা অনৌবা টিম ৪ অসিগী মেটচশিং অসি মথং চহীগী জনুৱারী থাদগী হৌরগা সাউদি অরাবিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরগনি।

য়ু ই এফ এগী প্রসিদেন্টকী এদভাইসকী মতুং ইন্না স্পেনিস সুপর কপকী ওর্গনাইজরশিংনা সাউদি অরাবিয়াগী ফুটবোল এসোসিয়েসন্না চহী ৩ গী দিল সাইন তৌনদুনা মফম অসিদা ফুটবোল মেটচ পাঙথোক্নবা হোৎনরকখিবনি।

মসিগী মরমদি মফম অসিদা নুপীশিংগী বেসিক রাইটশিং অসি ইকাই খুম্নবিদে। ফিভমশিং অসি খরদং ওইরসু কোক্নবা সাউদি অরাবিয়াদা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপনি হায়না পাও অসিনা মখা তারি।

স্পেনিস ফুটবোল ফেদরেসননা কুমজা ২০৩০ দা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবনি। স্পেনিস ফুটবোল বোদিনা সাউদি অরাবিয়াগা য়ান্নখিবা অদুদা নুপীশিংবু সুপর কপ গেমসশিং য়েংহনবদা অথিংবা পীদবা হায়বসিসু য়াওরি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৩৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | V | I | D | | A | N | E | S | T | | H | I | R | E |
| C | I | N | E | | L | A | L | A | W | | E | D | A | M |
| T | O | W | N | | A | I | M | T | O | | L | E | V | I |
| A | L | A | | I | N | V | O | I | C | E | M | A | I | L |
| L | A | R | A | M | I | E | | R | E | N | E | | | |
| | | D | B | A | S | | N | I | N | E | T | I | E | S |
| H | O | B | A | N | | S | E | C | T | S | | N | G | O |
| A | L | O | T | | D | E | V | A | S | | A | J | A | R |
| R | A | N | | G | A | V | E | L | | P | R | U | N | E |
| T | V | D | I | N | N | E | R | | S | U | E | R | | |
| | | | G | A | I | N | | V | A | N | D | Y | K | E |
| I | N | S | U | R | E | T | H | I | N | G | | D | A | W |
| C | O | L | A | | L | E | A | S | E | | L | U | T | E |
| E | R | I | N | | L | E | N | T | S | | S | T | I | R |
| D | A | D | A | | E | N | D | A | T | | D | Y | E | S |